# রাঞ্জি ট্রোফি : মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশ থোইখ্রে



**ইম্ফাল, নভেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):** বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) দোমেষ্টিক সিজন ২০২৪-২৫গী ওইনা রাঞ্জি ট্রোফিগী ঙসি মণিপুর অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মরক্তা শান্নখিবা ক্রিকেট মেটচ অমদা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু লাকচনা রন ৩২০দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

অহমেদবাদতা লৈবা অর্শা রেলৱে ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ঙসি মণিপুর অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস মণিপুরনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা মণিপুরনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওভর ৮৮ লোইবদা মণিপুরগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ২৬৬ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা কর্নজিৎ ৱাইনা বোল ৬২ মায়োক্লবদা রন ৩৮, পি প্রফুলোমণিনা বোল ৩৬ মায়োক্লবদা রন ৩৪, জোন্সননা বোল ৭০দা রন ৪৮, রোনাল্ড এমনা বোল ১৯৬তা রন ৮৫, সুল্টাননা বোল ৪৪দা রন ১৯ অদুগা রেক্সনা বোল ৬১দা রন ২৮ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি।

অরুনাচল প্রদেশনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অহানবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অয়াম্বনা মণিপুরগী বোলরশিংনা চথুরকখিবা এটেকশিং ক্রিজতা কুইনা লৈদুনা মায়োক য়াবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ৩৮.৫ শুরকপদা অরুনাচল প্রদেশকী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১১৫দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী ইন্নিংস অসিগী ওইনা মণিপুরনা রন ১৫১ মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অরুনাচল প্রদেশকী বোলরশিংনা হান্ননা রন ১৫১ মাংজিল থাখ্রবা মণিপুরগী ৱিকেটশিং লৌনবা মখল-মখা কয়াগী এটেকশিং চথুবা হৌরকখি। অদুবু হৈ-শিংলবা মণিপুরগী বেটসমেনশিংনা এটেকশিং অদু হৈন-শিংনা মায়োক য়াবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ৮৫.৩দা মণিপুরনা পূন্না রন ৩৫৯ লৌবা ঙমদুনা পূন্না রন ৪১০ মাংজিল থাখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা মণিপুরগী বেটসমেন কর্নজিৎনা বোল ১০৯ মায়োক্লবদা রন ৭২ অদুগা জোটিন ফৈরোইজমনা বোল ৮৮ মায়োক্লবদা রন ৯২ লৌরমখি। টিম অসিগী অতোপ্পা বেটসমেন জোন্সননা বোল ১৫৪ মায়োক্লবদা রন ১১১ লৌরগা মেটচ লোইবা ফাওবদা আউট ওইদনা লৈবা ঙমখি।

অরুনাচল প্রদেশকী মায়কৈদগী অরোইবা ইন্নিংস অসিদা রন মশীং য়াম্না লৌবা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু ওভর ৪৩.১ শুরকপদা মখোয়গী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১৯০দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবনা মেটচ অদু মণিপুরনা রন ৩২০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। মেটচ অদুদা মণিপুরগী বোলর জোটিননা ৱিকেট ৫ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা ইন্নিংস অনীদা রন ৯৪ লৌদুনা প্লেয়র ওফ দি মেটচ তাবা ঙমখি।







# মণিপুরগী ৱাইখোম সোনিয়ানা গোল্ড লৌবা ঙমখ্রে



**ইম্ফাল, নভেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):** এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটিজ (এ আই য়ু)গী মীৎয়েং মখাদা য়ুনিভর্সিটি ওফ জম্মুনা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ৬তগী হৌদোকখিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ফেন্সিং (মেন এন্দ ৱিমেন) চেম্পিয়নশিপ ২০২৪-২৫গী ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌরিবী কক্চীং খুনৌ কোলেজগী ৱাইখোম সোনিয়ানা গোল্ড লৌখ্রে।

ৱিমেন ফোইল ইন্দিভিজ্যুএলগীদা ৱাইখোম সোনিয়ানা ফাইনেল মেটচতা মণিপুরদগী হৌখিবী অদুগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট কয়ারক তৌরম্লবী গুরু কাশি য়ুনিভর্সিটি, পঞ্জাবকী নাওরেম মিনাবু পোইন্ট ১৬-৬তা মায়থীবা পীরম্লগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। সেমীফাইনেলদা মহাক্না গুরু নানক দেভ য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌরকখিবী মণিপুরদগী এলিসপু পোইন্ট ১৫-১০দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।


অমরোমদা, ৱিমেন ফোইল টিমগী ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে। টিম অসিদা য়াওরিবশিংদি ককচীং খুনৌ কোলেজগী ৱাইখোম সোনিয়া, বিরমঙ্গোল কোলেজগী খাঙেম্বম অঞ্জলি, মণিপুর কোলেজগী খারিবম দেবিতা অমসুং ষ্টেন্দর্দ কোলেজগী হুইনিংশুম্বম বালা চনুনি।

ৱিমেন ফোইল টিমগী ওইনা ক্ৱার্টর ফাইনেলদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মণিপুরবু পোইন্ট ১৫-৪দা থোইদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি সেমীফাইনেল চঙলকখিবনি। সেমীফাইনেলদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি গুরু কাশি য়ুনিভর্সিটি পঞ্জাবকী মখূৎতা পোইন্ট ৯-১৫দা মায়থীবা নংহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদলদা লৈহৌখিবনি।

# নম্বোল সেমীফাইনেল চঙখ্রে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):** মণিপুর কাং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা হোক অমসুং ৱালিদা ৱাবগাইনা শীন্দুনা ৱাবগাই অৱাং লৈকাইদা লৈবা ৱালিদা কাংশঙদা চথুরিবা ৬৬রক শুবা সার চূড়াচান্দ (কে সী এস আই-সী বি ঈ) মেমোরিএল লীগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্ৱার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা নম্বোলনা য়াইস্কুলবু পাঞ্জল ১৩-১২দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1300**

**Pavlos Kafantaris (1380) - Georgios 46448 Vlachos (1334)**
**46th TCh-GRE 2018 Rio (Achaia) GRE, 2018.07.14**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.Bf4 Nf6 | 3.e3 c5 | 4.c3 Qb6 | 5.Qb3 c4 |
| 6.Qc2 Nc6 | 7.Nd2 Bg4 | 8.Ngf3 e6 | 9.Be2 Be7 | 10.O-O O-O |
| 11.Rfe1 h6 | 12.Ne5 Bxe2 | 13.Rxe2 Nxe5 | 14.Bxe5 Qa5 | 15.e4 Rfd8 |
| 16.exd5 exd5 | 17.a3 Ng4 | 18.Bxg7 Qc7 | 19.Be5 Nxe5 | 20.Rxe5 Bd6 |
| 21.Rh5 Kg7 | 22.Qf5 Qd7 | 23.Qxd7 Rxd7 | 24.Kf1 Bf4 | 25.Nf3 Re8 |
| 26.g3 Kg6 | 27.Rh4 Bg5 | 28.Rg4 Kh5 | 29.h3 f5 | 30.Ne5 Rde7 |
| 31.Re1 a6 | 32.f4 Bf6 | 33. ... | | |

**QUESTION : White to checkmate**

**Puzzle 1299 Solution :**

**23. …Bxd5** The black bishop deflects White's bishop away from protecting the rook. The black bishop captures White's knight, which was defending the square e3. **24. Bxd5**

24.Qxd5 Rxd5

24.exd5 Qxc4 25.Qxe5 Rxd5

**24. ...Qxf2+** The black queen deflects White's rook away from protecting the square d1. The black queen captures White's pawn, which was defending the square e3. Opening the line from d1 to g1. **25. Rxf2**

**25. ...Rd1+ 26. Rf1 Be3+** The black bishop attacks White's king, which is defending White's rook. **27. Kh1 Rxf1#** Back-rank mate

**0-1**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com